# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, JANUARY 1, 2016 **PAGE 7**




*অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংদা ওলেম্পিক ক্বালিফাই ওইন্নবগী খুদোংচাবা পীরদুনা এসিয়ন সুট্টিং য়াওরোইদৌরিবা মাংজৌননা ওলেম্পিক ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী অভিনাভ বিন্দ্রা*

*নেসনেল রেস্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেদল ফংদুনা নৌনা ইন্দিয়াগী নুপীগী রেস্টলিংদা মমিং লৈরক্লিবী ভিনেস ফোগট*



*এস এ এফ এফ সুজুকি কপ ২০১৫*

## সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা য়ুম্বু ইন্দিয়া অমসুং অফগানিস্টান শান্নরগনি

*টিরুবনন্থপুরম, ডিসেম্বর ৩১ঃ*

য়ুম্বু ইন্দিয়া অমসুং মমাংগী চেম্পিয়ন অফগানিস্টান্না সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন টুর্নামেন্ট ২০১৫গী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি । ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়া মালদিপ্সপু পাঞ্জল ৩–২ দা অদুগা অনিশুবা সেমি ফাইনেলদনা অফগানিস্টান্না শ্রীলঙ্কাবু ৫–০দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি ।



*ইন্দিয়াগী পাঞ্জল অনি চনবা ঙমখিবা জেজেবু কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা হরাওদুনা পোদুনা পুবা*

কেরলাগী সহর টিরুবনন্থপুরমদা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদগী হৌখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২৫ শুবা মিনিটতা কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিগী পাঞ্জলনা একাউন্ট হাংদোকখি ।

ছেত্রিগী পাঞ্জল অদু টিমমেট হোলিচরন নারজরে য়েৎ থংবা ফিল্ডগী মায়কৈদগী পীরকপা বোল অমা হেদ তৌশিন্দুনা চনখিবনি । পাঞ্জল মাংজিল থারবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনিটতা মিজোরাম মচা জেজে লালপেখলুৱানা অনিশুবা পাঞ্জল অদু চনখি । মহাক্কী পাঞ্জল অদুসু অহানবা পাঞ্জল চন্বদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ছেত্রিদা পাস পীখিবা নারজরেনা অমুক্কসু পীরকপা পাসতগী অনিশুবা পাঞ্জল অদু ওইখিবনি ।

অহানবা হাল্ফ অদুগী মিনিট ৩ ইঞ্জুরি টাইমগী মতম হাপ্পদা মালদিপ্সকী মায়কৈদগী আলি আসফাকনা পীরকপা বোল অমদা অহমদ নাসিদনা ইঞ্জুরি টাইমগী অনিশুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা হনে দাকখি ।

অনিশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনিট ২০ লানশিল্লক্লবা মতুং ইন্দিয়াগী অনিশুবা পাঞ্জল চন্বা ঙমখিবা জেজেনো মহাক্কী টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা ফিল্ডগী ওইথংবা মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল অমা মালদিপ্সকী পেনালটি বোক্স মনুংদা খাইদোরকপদগী চনবা ঙমখিবনি ।

পাঞ্জল ৩–১দা মাংজিল থারবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনিটতা মালদিপ্সকী মায়কৈদগী অমদন আলিনা টিম অদুগী অনিশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ৩–২দা থোইখি ।

অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা শ্রীলঙ্কাবু অফগানিস্টান্না ৫–০দা থোইখিবনি । টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল অহানবা হাল্ফতা চল্লবা মতুং পাঞ্জল মরি অনিশুবা হাল্ফতা চনখি। ফাইনেল তাং ৩দা শান্নগনি ।

## ইন্দিয়াগী হোক্কিনা ২০১৫দা ফজবা পর্ফোমেন্স কয়া লৈখিদুনা নিংশিংবদা হরাওনিংঙাই ওইবা চহি ওইখি

*নিউ দিল্লি, ডিসেম্বর ৩১ঃ*

থা অসিগী অঙন্বা শরুক্তা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাংথোকখিবা নুপাগী হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ ফাইনেলদা নেদরলেন্দসপু পেনালটি সুটআউত্তা মায়থিবা পীদুনা চহি ৩৩গী মতুংদা ইন্টর্নেসনেল হোক্কি ফেদরেসন্না টুর্নামেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা ঙসি লোয়রগদবা ২০১৫ চহি ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমগী ওইনদি নিংশিংবদা য়াম্না হরাওগদবা চহি অমা ওইখি ।



*ওলেম্পিক ক্বালিফাইদ ওইবতা নত্তনা ৱার্ল্ড হোক্কি লীগতসু অহুমশুবা তাবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম*

নিংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়ানা ১৯৮২দা ইন্টর্নেসনেল হোক্কি ফেদরেসনগী মখাদা পাংথোকপা হোক্কি শান্নবা মকোক থোংবা লৈবাকশিংগী টুর্নামেন্ট অমা ওইখিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্টকী ব্রোঞ্জ মেদল অদু পাকিস্টানবু মায়থিবা পীদুনা ফংখিবনি । মদুগী মতুং ২০১৫গী ডিসেম্বরগী অঙন্বা শরুক্তা ৱার্ল্ড হোক্কি লীগ ফাইনেলগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবনি ।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসি ২০১৪দা পাংথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল লৌদুনা ২০১৬তা ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা পাংথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি ।

ওলেম্পিক হোক্কিগী ওইনদি ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল নিপাল লৌদুনা খ্বাইদগী গোল্ড মেদল মশিং য়াম্না লৌবা ঙন্বা লৈবাক অদু ওইরিবনি । লৈবাক অসিনা ইকোন কোন্বা ওইনা ১৯৮০গী মোস্কো ওলেম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা মতুং মখা তারকপা চহি কয়া অসিদা হোক্কি মেদল অমা ফাওবা ফংবা ঙমদনা লাক্লি ।

চহি অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসিবু য়াম্না ফজবা ফিভমদা পুরক্লবা হোৎনবদা য়াম্না চাওনা থৌদাং লৌখিবা কোচ নেদরলেন্দস মচা বোল ভান আস মে থাদা বেলজিয়মনা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী এন্টরেপ সহরদা পাংথোকখিবা হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা মরিশুবা পোজিসন তাখিবা অদুগী টুর্নামেন্ট মনুংদা হোক্কি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট নারিন্দ্রা বাত্রাগা মরৈ য়েৎনখিবা অদুগী মতুংদগী পোল ইন্দিয়াগী কোচ ওইবা মখা তাখিদবনি ।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসিনা মালেসিয়াদা পাংথোকপা অজলান সহা হোক্কি টুর্নামেন্টতা অহুমশুবা পোজিসন তাখি । মদুগী মতুং জপান্দা মেটচ মরিগী হোক্কি সেরিজ অমা শান্নখিবা অদু মেটচ ৩–০দা সেরিজ মায়পাকপা ঙমখিবনি ।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসিনা রিও ওলেম্পিক গেমসকীদমক শেম শাবা ওইনা য়ুরোপকী লৈবাক অনি (ফ্রান্স অমসুং স্পেন) দা চৎখিবা টুর অদুদসু মখোয়না মেটচ মঙা শান্নবদা মরি মায়পাক্লুনা ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি । মদুগী মতুং চহি অসিগী ওক্তোবর থাদা ইন্দিয়ানা নিউ জিলেন্দদা চৎখিবা হোক্কি টুর অদুদসু অহানবা মেটচ মায়থিরম্বদগী মেটচ মরিগী সেরিজ অদু মেটচ ২–১দা মায়পাকপা ঙমখি ।

ইন্দিয়াদা ওস্ট্রেলিয়ানা লাক্লগা শান্নখিবা মেটচ অহুমগী হোক্কি সেরিজদা ৱার্ল্ড নম্বর ১ টিম ওইরিবা ওস্ট্রেলিয়াবু মেটচ অমা মায়থিবা পীবা ঙমখিবা অমদি অমা দ্রো চৎলগা অমনা মায়থিখিদুনা সেরিজ অদু ১–১দা দ্রো চল্লুনা ফজবা ঙমখি । ৱার্ল্ড নম্বর ৯ দা লৈরম্বদগী নম্বর ৬তা হাইগৎপা ঙম্লি ।

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমসু রিও ওলেম্পিক গেসমকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি । লোয়ননা নুপাগী জুনিয়র টিমনা এসিয়া কপ হোক্কি টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচতা পাকিস্টানবু পাঞ্জল ৬–২দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি । পুম্নমক অসি য়ৌলরুগা ২০১৫ ইন্দিয়াগী হোক্কিগী ওইনা অফবা চহি ওইখি।

## তগ ওফ ৱার শান্নরোই খনগদৌরি

*ইম্ফাল, ডিসেম্বর ৩১ঃ*

মহারাষ্ট্রগী ঔরাঙ্গাবত সহরদা পাংথোক্কদৌরিবা ২৮ শুবা সেনিয়র মেন, ১৭ শুবা চহি ১৫ মখাগী সব জুনিয়র বোইজ এন্দ গলর্স নেসনেল তগ ওফ ৱার চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ানিংবা মণিপুরগী শান্নরোইশিং খনগদৌরি ।

সেনিয়রগী কেজি ৬০০কী অরুম্বা কেটগোরি, সব জুনিয়র কেজি ৪৪০গী অমসুং নুপীমচাগী কেজি ৩৬০গী কেটগোরিদা শরুক য়াগদৌবা মণিপুরগী শান্নরোই খন্ননবা জনুৱারী ৬তা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মগী গেট নম্বর ১৪দা লৈবা প্রেক্টিষ্ট ফিল্ডদা অয়ুক্কী পুং ৭.৩০ দগীনা ১০.৩০ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না মণিপুর তগ ওফ ৱার এসোসিএসনগী মায়কৈদগী চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি ।

## কেস প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

*ইম্ফাল, ডিসেম্বর ৩১ঃ*

সৈজাং প্রোগ্রেসিব য়ুঠ ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা অহানবা ঙাংখম বিলাতোম্বী অমসুং ইবেমহল মেমোরিএল লমলাই অমসুং খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ কেস প্রাইজ মেন্স ফুটবোল মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাংথোক্লগনি হায়না সৈজাং প্রোগ্রেসিব য়ুঠ ক্লবকী সেক্রেটরি কে ঐচ কুল্লবি সিংহনা প্রেস্তা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি ।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা টিমদা শেলগী মনা ওইনা লুপা ২০,০০০ অমদি রন্নিং ট্রোফি পীগদৌরি । রন্নর্স অপ তাবা টিমদনা শেল ওইনা লুপা ১০,০০০ লোয়ননা রন্নিং ট্রোফি পীগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াবা খ্বাইদগী দিসিপ্লিন ফজবা টিমদা শেলগী মনা ওইনা লুপা ২০০০ পীগনি লোয়ননা বেষ্ট গোলকিপর, বেষ্ট দিফেন্দর অমসুং বেষ্ট ষ্ট্রাইকরদা শেল ওইনা লুপা লিশিং অমমম পীগনি হায়রি । শরুক য়ানিংবা লমলাই অমসুং খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী ক্লবশিংনা জনুৱারী ৫ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিনবা য়াগনি হায়রি । লোয়ননা মেনেজর মিটিং অমসুং ফিক্সর তাং ৬তা পাংথোক্কদৌরি ।

## ষ্টেট লেভেল চৌবি

*ইম্ফাল, ডিসেম্বর ৩১ঃ*

জনুৱারী ১৭ তগী ২২ ফাওবা এম ইবোয়াইমা অমসুং এ পুইনবাতিগী মিংদা ৩০ শুবা ষ্টেট লেভেল চৌবি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৬ পাংথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর চৌবি এসোসিএসন্না ফোংদোরক্লি ।

## কোহলিনা বি সি সি আই ক্রিকেটরগী মনা ফংখ্রে



*নিউ দিল্লি, ডিসেম্বর ৩১ঃ*

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না চহি খুদিং ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোইদা পীবা মীংথোল 'ইন্দিয়ান ক্রিকেটর ওফ দি ইয়ার' চহি অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোহিলনা ফংখ্রে ।

চহি ২৭ শুরবা ভিরাট কোহলিনা হান্না কেপ্টেন ওইরম্বা মাহেন্দ্রা সিংহ ধোনিনা ওস্ট্রেলিয়া ক্রিকেট টুর লোয়দ্রিঙৈ মরক্তা রিটয়ার্দ তৌখিবদগী কেপ্টেনগী থৌদাং লৌরকখিবনি । মহাক্না লুচিংদুনা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ফজবা ফল কয়া পুরকপা ঙম্লি ।

মহাক্কী লিচিং মখাদা চহি ২২গী মতুং শ্রীলঙ্কাদা ইন্দিয়ানা সেরিজ মায়পাকপা ঙমখি । মদুগী মাংওইননা ৱার্ল্ড নম্বর ১ সাউথ আফ্রিকা ক্রিকেট টিমবু মীরামদা চহি ৯গী মতুংদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী মখুত্তা মায়থিবা নংখি । ভিরাট কোহলিনা টেষ্ট ইন্নিংস ১৫ শান্নবদা রন ৬৬০ লৌদুনা ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপসু ঙমখি । নুপীগী ওইনা মিঠালি রাজনা মনা অদু ফংখি।

## বার্সেলোনানা রিএল মাদ্রিদনা চহি অমদা খ্বাইদগী পাঞ্জল চন্বগী রেকোর্দ থল্লম্বা অদু থুগাইখ্রে

*মাদ্রিদ, ডিসেম্বর ৩১ঃ*

স্পেনগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা বার্সেলোনানা ঙসি অয়ুক অঙন্বদা শান্নখিবা লা লিগাগী ১৬ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রিএল বেটিসপু পাঞ্জল ৪–০দা মায়থিবা পীদুনা লৈবাক অদুগী ফুটবোলগী ওইবা চহি অমদা পাঞ্জল ১৭৮ চন্দুনা রিএল মাদ্রিদনা থল্লম্বা রেকোর্দ অদু পাঞ্জল মশিং ১৮০ শুদুনা থুগাইবা ঙমখ্রে ।



*বার্সেলোনাগী গোল মেচিন ওইরিবা লুই স্বারেজ (ওই), ন্যেমর (ময়াই) অমসুং লিওনেল মেসি (য়েৎ)*

ঙসি অয়ুক অঙন্বদা বার্সেলোনগী হোম গ্রাউন্দ কেম্প নৌদা শান্নখিবা লা লিগাগী ১৬ শুবা লীগ মেটচ অমদা বার্সেলোনানা রিএল বেটিসকা শান্নবা মেটচ অদুদা লিওনেল মেসিনা চনখিবা পাঞ্জলনা রিএল মাদ্রিদনা থল্লবা পাঞ্জল ১৭৮ অদুগা মান্নবা ঙমখি ।

অদুবু মেটচ অদুগী অনিশুবা হাল্ফতা বার্সেলোনগী মমিং লৈরবা অতোপ্পা শান্নরোই ওইরিবা লুই স্বারেজনা পাঞ্জল অনি হাপচিন্দুনা রিএল মাদ্রিদকী রেকোর্দ অদু পাঞ্জল অনি হাপ্লগা ১৮০ শুদুনা থুগাইবা ঙমখিবনি ।

পাঞ্জল ১৮০ অদুগী মনুংদা বার্সেলোনাগী এটেক্কিং লাইনদা লৈরিবা মীয়াম্না শম্না এম এন এস হায়না খংনরিবা মেসি ন্যেমর অমসুং স্বারেজকী অপুনবা পাঞ্জলনা ১৩৭ চনখি । মদুদা মেসি অমসুং স্বারেজনা পাঞ্জল মশিং ৪৮ / ৪৮ অদুগা ন্যেমরনা পাঞ্জল ৪১ চনখিবনি ।

পনবা য়াবদি রিএল বেটিসকা শান্নখিবা মেটচ অদু আর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসিগী ওইনদি ৫০০ রক শুবা মেটচ ওইখি । মায়পাকপা অদুনা বার্সেলোনা চথরিবা লা লিগাগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ১৬ তগী পোইন্ট ৩৮ ফংদুনা এটলেটিকো মাদ্রিদকা পোইন্ট মান্ননা লৈরি । অদুবু গোল দিফরেন্সতা বার্সেলোনানা হেন্দুনা মাংজিল থারি।

মসিদসু নত্তনা এটলেটিকো মাদ্রিদতগী বার্সেলোনা মেটচ মশিং শান্নবা অমা হন্দুনা লৈরিবনি । মরম অদুনা এটলেটিকো মাদ্রিদনা মেটচ ১৭ শান্নখিবা অদুগা মান্ননা বার্সেলোনানা মথংগী মেটচ শান্নবদা করিগুম্বা মায়পাকপা নত্রগা দ্রো চৎলবদি পোইন্ট টেবলদা মখোয়না মাংজিল থাবা ঙমগদৌরিবনি ।

লা লিগাগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা রিএল মাদ্রিদনা রিএল সোসাইদেদপু পাঞ্জল ৩–১দা মায়থিবা পীদুনা মখোয়সু লীগ অসিগী মাংজিল থান্নবগীদমক্তা মেটচ ১৭ তগী পোইন্ট ৩৬ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি ।

অমরোমদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা ঙরাং রাইয়ো ভালিকানোবু পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা পীদুনা মখোয়গী পোইন্ট ৩৮ শুবা ঙমখিবনি । অদুবু সেলটা ভিগোনা ঙসি অঙন্বদা শান্নখিবা মেটচ অমদা এঠলেটিক বিলবাওগী মখুত্তা পাঞ্জল ০–১দা মায়থিদুনা পোইন্ট অহুম ফংলমগদবা খুদোংচাবা অমা মাংজদুনা মেটচ ১৭তা পোইন্ট ৩১ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরি ।

ইংলেন্দগী ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা অঙন্বা মেটচ অমদা লীগ অসিগী টাইটল মমাংদা কয়ারক ফংবা ঙমখ্রবা লিভরপুলনা সুন্দরলেন্দবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা লিভরপুল মেটচ ১৯ শান্নবা লোয়শিল্লকপদা পোইন্ট ৩০ ফংদুনা ৭ শুবা পোজিসন্দা হাইগৎলকপা ঙম্লি ।

ঙসি অয়ুক অঙন্বদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী টিম মেনেজর জুরগেন ক্লোপনা নিংথিনা শিল লাংদুনা শেমগৎখিবা মহাক্কী লাল্লোংশিং অদু কন্নবা ফংখিবদগী টিম অদুগী শান্নরোই খৃষ্টিয়ান বেন্টিকেনো অনিশুবা হাল্ফ হেক হৌরকপা অহানবা মিনিটতা পাঞ্জল চন্দুনা সুন্দরলেন্দবু মাংজিল থাবা ঙমখি ।

মেটচ অদু মখা চথরকপদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্বা য়াবগী খুদোংচাবা কয়া ফংখ্রবসু মখোয়না পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদবনি ।

পনবা য়াবদি লিভরপুলনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকা পোইন্ট মান্ননা ফংলকপা অমদি মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা খৃষ্টেল পেলেসতগী পোইন্ট অমখক হন্থরগা লৈবা অসিনা মথং চহিদা পোইন্ট হেনগৎলকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি ।


**ADMISSION STARTS FOR**

**ENGLISH**

**SPECIAL CLASS**

*For the aspirants of all Competitive Examinations*

Class starts: 2-11-2015
Timing: 9.00 am; Duration: 45 days

**SPECIAL FEATURES**

- ✓ Updated and Exam-oriented materials to be provided, concepts and techniques to be thoroughly discussed.
- ✓ All the relevant topics of the syllabi and questions of different examinations - Applied grammar, Vocabulary in usage, and understanding of comprehension, etc. to be discussed at length.
- ✓ Exhaustive Practice sets and Model test to develop competence and confidence.

**CERTIFICATE COURSE ON**

**BASIC COMPUTER APPLICATIONS**

*For all Competitive Examinations*

**COURSE CONTENT:** Basics of Software, Basics of Hardware, Basics of Internet, Microsoft Office (Paint, Word, Excel, Spreadsheet, Slide preparation), Pagemaker, Photoshop, Windows Installation, Typing, Practice with Computer, Online practice class for all competitive exams, Free instructional CD at the end of the Course

Class starts: 9-11-2015
Timing: 9.00-10.30 am
Duration: 3 Months

*Please contact*

**Proactive Academy**
of Competitive Examinations (PACE)
For a Bright Future

KWAKEITHEL BAZAR PHONE: 9206319209



**লায়েংজরি** **লায়েংজরি**

১। Diabetes Type I, II কুইরবা অনাবশিং ফগনি ।
২। Appendix থিনবা লেংবা য়েকপা থুনা ফগনি ।
৩। নুংশং, ঈ–তাবা, পোন্থা, চেকখাইবা য়াম্না থুনা ফগনি ।
৪। পাৎপা, পোন্থা, হাকচ্চবা, চীকপা কুইরবশিং থুনা ফগনি ।
৫। টৈনসিল, খনাওগী অরুবা অনাবশিং থুনা ফগনি ।
৬। হুই অমদি লিন্না চীকপগা পুবিরকউ, শুংসি শিরোই ।

BP Strock তগী Accident দগী চিংদুনা চহি কুইনা হৌগৎ–কাঙখৎপা ঙমদবশিংগী মায় পাক্ল লায়েংজরি । ওক্কি, শয়েং, খ্বাঙ নাবা, খোঙ, উৎ চীকপা হৌবা, পোন্থা, ফিনুংগী লায়না, নুংশঙ, লিন্না চিকপা, হুইনা চিকপা (অঙাওবা), ফি–লাইকোই, চখাও নাবা, ফিডৌ চৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, Kidney দা নুঙ লৈবা, Diabetes, Asthma, TB, Jaundice, Festula, Hepatitis B & C Heart Disease, Tonsil, Blood Cancer, Breast Cancer, Gastrict, Goitre, Gout, Sinusitis, Liver infection, মতম চাদনা অঙাংশিংনা পোক হৌবা, খোই মহুম, খোন শিবা, খনাওগী লায়না, মতু হৌবা, মিৎ নাবা, নাকোং নাবা, কোক তোইনা ঙাওবা, মাইহিং, ফুরি ফুরাং তৌগনবা, খোইরাই হৌবা, থাগোকপা, পুক থিনবা, ঈশিং য়াফম হৌবা, শজীক থুংবা, লাইচাক থুংবা, খোঙ খুৎ লৈথোকপা অমসুং শুজিনবা শেন্থা অসিনচিংবা Paralysis, পাৎপা পোন্থা, হাকৎচবা, মৈ অমসুং ঈশিং অশাবনা পোকপা লায়েংজরি ।

Nature Care & Herbalist
Time : 8 a.m. to 3 p.m.
Mobile No. 8974196790/ 8575844368

অদোমগী
**Khoisnam Romendro**
Singjamei Mata Hall Near
Pukhrambam Leirak